ঙসি ওক্টোবর ১১, লোকনায়ক জয়প্রকাশ নারায়নগী ১১৬শুবা মপোক নুমিৎনি

জয়প্রকাশ নারায়ন : টোটেল রেভল্যুসন

- টি ডি ঙাঙোম্বা -

“মী (পার্সন) না কাঙলূপকীদমক হিংগদৌবনি, অদুগা কাঙলূপনা মীগীদমক, মসি নোংমতদা খক ওইরোই। করিগুম্বা রেভল্যুসন অমত্তা নোংমদা তৌবা খক য়াবা নত্তে। থুগাই-য়েখাইবা নোংমদা তৌবা য়াই, শেমগৎ-শাগৎপা য়াদে।” - *লোকনায়ক জয়প্রকাশ নারায়ন*

কুমজা ১৯৪২গী ভারত নীংতম অন্দোলন - (বৃটিশ) ‘ভারত থাদোক্লো’ গী মতমদা ইন্দিয়াগী মীয়াম্না জয়প্রকাশ নারায়নগী মমিংতা শোন্নখি। নহারোলশিংদদি মহাক্কী মমিং জাদুগুম্না পানখি। হাজারীবাগ - জেলগী চেকপল চোঙদুনা চেনখি, লানগী খূৎলায় থম্ফম কয়া থুগাইখি, নীংতম লান্মী শেমগৎখি, অন্দর গ্রাউন্দদা লৈদুনা বৃটিশ লৈঙাকপু শিংনখি - মহাকপু ৱান্টেদ লাউথোকখি - মসিগুম্বা থৌনা ফবগী ৱারীনা মীয়াম্না মাবু নুংশিনা শোন্নখি। মহাক্লা ভারত নীংতম অন্দোলন্দা লৌখিবা থৌদাং অদু উবদা মহাকপু ইন্দিয়া মীয়ামগী থৱায়গী মনি অমা ওইনা লৌনখি।

লোকনায়ক (হেরো ওফ পিপল) জয়প্রকাশ - নারায়ন ওক্টোবর ১১, ১৯০২দা বিহারদা পোকখি। মহাক্কী শীংলিদা চেল্লিবা অঙাঙবা ঈ, ঈরক অদুদা (ইন্দিয়া) নীংতম-ঈহৌরকপা ময়েক শেংনা উবা ফংখি। মহাত্ম গান্ধীজীনা বৃটিশ লৈঙাক্কী স্কুল-কোলেজ বোয়কোট তৌনবা আপিল তৌখি। মরৈবাক নীংবা মহৈরোয়শিংনা মপূং ফানা শৌগৎনখি - বোয়কোট । মদুগী মনুংদা জয়প্রকাশ নারায়নসু অমনি। মহাক আই এ সী বৃটিশ লৈঙাক্কী কোলেজদা তমখিদে। মরৈবাক নীংবা মীওই কয়ানা বৃটিশ লৈঙাক শিংনদুনা স্বদেশী স্কুল - কোলেজ কয়া লীংখৎখি। খুদম : গুজরাট বিদ্যাপীঠ, কাশী বিদ্যাপীঠ, হিন্দী বিদ্যাপীঠ (দেবঘড়) মমিং পনবা য়াই।

মহাক অমেরিকাদা লাইরিক মখা তম্বা চৎখি। শেল-থুম য়াম্না লৈদুনা অমেরিকাদা চৎখিবা নত্তে। ৱানা-নংনা তমখি, হোটেলদা পুখম-তেঙ্কোট ফেংখি, কপ-প্লেট চামখি-চারা নোংখাংনখি, হৈগী ফার্মদা থবক শূবা য়াওখি - অসুম্না ৱানা লাইরিক তম্লকখি। কুমজা ১৯২২দগী ১৯২৯ ফাওবা মহাক অমেরিকাদা লৈখি। মহাক্না অমেরিকাদা লইরিক তমদুনা লৈরিঙৈ মতমদা মার্ক্স-সাহিত্য মমুৎ তানা পাখি, নৈনখি। অদুম ওইনা নীংতম্বগী মহাক্কী পান্দমদা করিসু অহোংবা অমা পুরকখিদে। মার্ক্সিজমনা মান্নবা - ইক্বেলিটি, ফ্রেটের্নিটি মরুপ-মপাং ওইবগী মঙাল অমা মঙোন্দা ফাওরকখি। নীংতম্বতনা মপূং ফাবা নত্তে। মসিগী ৱাহন্থোক মীয়াম্না থাক য়াম্না নেম্না লৈ, মখোয়সু নীংতম্বা ফংবা চুম্মী মখোয়গীসু শরুক থুংবা তাবনি। নীংতম্বা অদুদা ওৎ-নৈবা, চাবা ফংদবা অমসুং লায়রবা লৈতবা-কোক্নবা পান্থে পুথোক্কদৌবনি।

মহাক কুমজা ১৯২৯দা অমেরিকাদগী ইন্দিয়াদা হল্লকখি, মতম অদুদা মহাক মরৈবাক নুংশিবগী ৱাখল য়াম্না ৱাংনা লৈরম্মী। মথং ওল্লকপা কুমজা ১৯৩০, মার্চ ১২দগী মহাত্ম গান্ধীজীগী মমিং চৎলবা থুমগী-অন্দোলন হৌগদৌরিবনি। থুমগী আইন থুগাইনবা দান্দি-মার্চ-খোঙচৎ চৎপা য়াওখি। অদুবু ইন্দিয়াগী কম্যুনিষ্টকী মীওই কনা অমত্তা থুমগী ষ্ট্রগল অদুদা মশক উবা ফংখিদে অমসুং মখোয়না নেসনল অন্দোলন অদুবু বুর্জ্জুআ অন্দোলননি অদুগা গান্ধীবুনা ইন্দিয়ান বুর্জ্জুআ সপোর্টরনি হায়না চৈ থাংখি। লান্না উৎনবা হোৎনখি। অমরোমদা জয়প্রকাশ নারায়ননা ভারত কম্যুনিষ্ট পার্টি অসি রুসকী হংলাই ওইনা লৈখ্রে অমসুং রিমোর্ট কন্ট্রোলনা মোস্কোনা পায়দুনা শান্নরি হায়না খনখি। মদু উবদা মহাক নীংবা য়াম্না কায়খি, মার্ক্সবাদি জয়প্রকাশ নারায়ন কম্যুনিষ্টতগী থাপতোকপা তাখি। অদুবু পংলাপ লাপথোক্তনা চৎথোক্তুনা লৈখি। কোংগ্রেস - সোসিয়েলিষ্ট পার্টি শেমখি। মহাক কুমজা ১৯৩০দগী হৌনা পোলিটিক্সকী ফিল্ডদা খোঙদারকখি। অদুবু মহাক কৈদৌঙৈদসু ভোট লেপখিদে। গ্রাম সভা-পঞ্চায়টকী ভোট ওইসনু, নগরপালিকাগী ওইসনু, দিষ্ট্রিক্ট, বোর্দকী ভোট খঙদে নৎত্রগা এসেমব্লি নৎত্রগা পার্লিয়ামেন্টকী ভোট অমত্তা লেপখিদে। মহাক কোংগ্রেস য়াওরম্মী, মদুদা মহাক্লা সোসিয়েলিষ্ট পার্টি - কোংগ্রেসকা কায়নরে, মদুদা মহাক্লা সোসিয়েলিষ্ট পার্টিগী টিকেট পীবগী থবক তৌখি। মহাক্লা সেক্রেটরি জেনরেল অমা ওইনা পার্টিগী ভোট খোমখি। মহাক মশামক্তি ভোট খক লেপখিদে, মঙোন্দা ভোট লেপ্লীংবগী ৱাখল ফাওবা উখিদে। ভোট লেপ্লগা প্রাইম মিনিষ্টর ওইরগা মহাক্কী উদ্দেশ্য অদু হেক্তা ফংগনি হায়বা মহাক্লা খক থাজখিদে। মসি মহাক্কী থোইদোকপা ত্যাগ তৌবা নত্তে। মহাক মশানা খঙনা অমসুং মহাক্কী উদ্দেশ্য অদু মাংদা থল্লগা মতোমতা ৱারেপচবনি।

মহাক্লা সমাজিক পুন্সিদা হেক খোঙদারকপদগী হৌনা মহাক পোলিটিক্স তৌরক্লবনি। কাইনথংদা পোলিটিকেল পার্টি থাদোক্লগা সর্বোদয়দা য়াওখিবনি। মরম অদুনা পোলিটিক্স হায়বা অসি মঙোন্দা অনৌবা অমা নত্তে। মদুগী ত্রিক্স ওফ দি ত্রেদ লোইনা মহাক খঙদবা নত্তে। করিগুম্বা মহাক্লা লৈবাক অসিগী প্রাইম মিনিষ্টর ওইরগা করিগুম্বা খরা তৌবা ঙমগনি খল্লবা, মদুগী করি তৌগনি, মদু খঙদবা মহাক বুদ্ধু নত্তে।

LOKNAYAK JA
NARAYAN

আচার্য দ্রোন অমসুং মাগী মহৈরোয়গী ৱারী ঐখোয় খ্বাই পূম্নমক্লা তানরিবনি। উথক্তা তোংলিবা উচেক্কী মমিৎতা কাপকদৌরিবনি। অর্জুননা হায়, “ঐহাক্লা অতে অমা উদে, উচেক্কী মমিংখক্তা উই। উচেক্তা উই, অমসুং হৌজিক উচেক্কী মমিৎতা উরক্লি। অদুগুম্না মহাক্কী পুন্সিদা উচেক্কী মমিৎ ইন্দিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টর - চৌক্রি ওইরবদি মহাক্লা তঙাইফদনা মদু মীতারমগদৌবনি। রাবননা হায়খিবনি, ইপান্থোম পাঙ্গলতনা লৈবাক খুদুম চল্লিবনি। মদুগুম্না প্রাইম মিনিষ্টর ওইবা হেন্দোক্লা ঙল্লমগনি। অদুবু মহাক্কী পুন্সিদি কৎথোকপনি, থাদোকপনি, থৌগলনি। মহাক্কী মীৎয়েং করিগুম্বা অহানবদগী হৌনা প্রাইম মিনিষ্টরগী ফমদা মীতাবা ওইরল্লবদি কোংগ্রেস খক থাদোক্লম্মোই। মহাক্লা কুমজা ১৯৪৮দা থাদোকখিবনি। অদুগা সমাজবাদি পার্টি শেমখিবনি। মহাক্লা মহাত্ম গান্ধীজীগা লৈনবা মরী ফৈ। গান্ধীজীগী আশ্রমগী মীওইনা জয় প্রকাশ নারায়নবু প্রভাবতিগী মরম্না নিংঙোল মৱা ওইনা লৌনৈ। কুমজা ১৯৪৫দা জেলদগী থাদোক্লগা মাবু গান্ধীজীনা কোংগ্রেসকী প্রসিদেন্ট ওইহনবা পামখি।

গান্ধীজীনা মঙোন্দা হায়খি : “ঐহাক্লা নহাক্কী থৌনা ফবগী খুদোংচাবা লৌবা পাম্মী” মতৌ অসুম্না জৱাহরলালজীগসু পোকমিন্নবা মচিন-মনাও অমগুম্না লোইনরম্মী। মহাক্লা জয়প্রকাশপু মনাও অমা ওইনা লৌজে ‘ভাই (ইনাও)’ হায়না কৌজে। কুমজা ১৯৫৩দা নেহরুনা জয়প্রকাশ নারায়নবু অমসুং সমাজবাদি মীওইবু সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টতা য়াওনবা চোউ পীখি। মহাক্লা জৱাহরলালগী মথংদা ইন্দিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টর ওইবা পাল্লল্লবা মদু মঙোন্দা ওইথোক্তবা নত্তে মদুগীদমক মহাক্লা তোঙান্না ইকায়খুম্নবা উৎলমগদৌরিবনি অমসুং মসি পূম্নমক লোইনা খুদোংচাবা লৌরমগদৌবনি। মহাক্লা পার্টি অমসুং পৱারগী পোলিটিক্স থাদোকখি। মহাক্লা মসিদা করিসু থাজবা লৈখিদে। পার্টি পোলিটিক্সতা থাজবা থল্লিবা মীওই অদু অকংবা শরূ মচেৎ চূপ্পনি অমসুং মশাগী ঈ চূপ্লগা পেঞ্জরিবনি, লৌখি। পোলিটিক্স লৈখা তারক্লি, তারকখিগনি, তেকথরক্লি, তেকথরকখিগনি, কায়থরক্লি, মতুংদা হেন্না কায়থরকখিগনি। অনৌবা পার্টিগী সাইন বোর্দ থেৎপনা করিসু কান্নবা ফংলোই, ৱাহন্থোক থোক্লোই অমসুং পোলিটিক্সকী লীলা ফম্বাক্তা অনৌবা নেতা অমা থোরকপনা কান্নবা লৈরোই। মহাক্তি পীপল পৱারগী গর্ভদগী থোরক্কদৌবনি, মীয়ামগী ঈথৌদগী পোল্লক্কদৌবনি। পীপল পৱারগী মরু ঙসি ইন্দিয়া, মরু ওইনা মণিপুরগী লৈমায়দা মতম খরা ঙাইবা তারি, মহাক কন্না তপ তৌরি। মরু অদু গান্ধীনা শেমখিবনি অমসুং ইন্দিয়াগী লৌবুকপু বিনোবা ভাবেনা খোঙনা কোয়না হঙ্গৎ-হন্দা চৎতুনা খোইরগা লীংখিবনি অমসুং মশক মমিং খঙদবা মীওই লিশীং কয়ানা থৌগল তৌদুনা ঈশিং চাইরি। করিগুম্বা লৈবাক অসিগী শৈশকপা মচানা পোৎশকসিবু থাদুনা ঈশৈ শক্লবদিকো! তৌইগুম্বসুং ঈশৈদি শক্তি থা! ফজবা থা!

ঐখোয়না থৌমী কয়া শেমগৎপা তাই, ইন্দিয়া মরু ওইনা মণিপুরগী খুঙ্গং কয়া অমসুং চীংদা চৎতুনা মীকপ-য়াকাইরোল শকপা, পাউজেল শন্দোকপা তাবনি। মঙোন্দা লোক সভা নৎত্রগা বিধান সভাগী মেম্বর ওইনীংবগী অপাম্বা লৈরোইদবনি। মখোয়না চৌক্রিগী মঙ মঙলোইদবনি। মখোয়না পঞ্চায়ট মেম্বর ওইনীংবা পোক্লোইদবনি অমসুং ম্যুনিসিপালিটিগী। মখোয়না মীয়ামগী মনাক্তা ভোট নিবা চৎকদৌবা নত্তে, থৌগল তৌবা চৎকদৌবনি। লাইবক থীবনি খুঙ্গংগী মীওই অমসুং চীংমী! সহরগী মীওইনা খুঙ্গংদা চৎনবগী মতম ফংদে। তৌইগুম্বসুং ভোট খোম্বা, ভোটকী ভিখা নিবা তঙাইফন্দনা চৎলি।

ঐখোয় লৈবাক্তা, নহারোলশিংগী মখূৎতা য়াম্না চাউবা থৌদাং অমা তারি, নন-ভাইওলেন্স রেভল্যুসন অসিবু মায় পাকপা পুরক্লবা হোৎনবা। ইন্দিয়াগী, মরুওইনা মণিপুরগী নহারোলনা মসিগী থৌদাং অসিবু পাঙথোক্তনা কনা লাক্লগা তৌবিরগনি? লৈবাক অসিগী অধ্যাত্ম অহলগী পোৎশক নত্তে, নহাগী পোৎশকনি। ঋশিকেশনা পুন্সিগী কুরুক্ষেত্রদা অঙকপা অধ্যাত্মগী পঞ্চজন্য খোংখিবা মতম অদু মহাক অহল নত্তে, নহাগী মতমনি অমসুং ওইখিবনি সারথী শগোল থৌবা ইন্দিয়াগী থৌনা ফরবা নহাগী দোলাইগী। মহাক্কী চান্নথোইবী তালোইগী মতম্বাক্তা পোকপদা ঙাইরিবা তূল্লিবা রহুলবু হুন্দোক্লল্লগা দিদ্ধার্থনা মাগী অঙকপা কলচরেল রেভল্যুসনগী লম্বীদা খোঙশানখিবা, মতম অদু মহাক অহল নত্তে, নহানি। চাউরবা লোইনাইদ্রবসিদা থিবা কনবা, চোকথবা লৈতবা শঙ্করনা মাগী দিগবিজয় - খোঙশানখিবা মতম অদু মহাক অহল নতে, নহানি। বিবেকানন্দনা শিকাগোগী ধর্ম্ম ফম্বাক্তা বেদান্ত মালেমগী ধর্ম্মনি লাউখিবা, মতম অদু মহাক অহল নত্তে, নহানি। গান্ধীনা খা আফ্রিকাদা কুচু খেন্নবগী মৈরীলক্তা চোঙশিনখিবা, অধ্যত্মগী আগ্নি পরিক্ষা চাংয়েং তৌখিবা, মতম অদু মহাক অহল নত্তে, নহানি। অধ্যাত্ম অহলগী লৈকাং চারবা পোৎশক নত্তে, নহারোলগী তগৎ-তগৎপা পোৎশক্লি।

টোটেল রেভল্যুসন - ১৯৭৪-৭৫ : টোটেল রেভল্যুসনগী মরুওইবা দাবী কয়াগী মনুংদা খ্বাইদগী মরুওইবসি করপসননি। কুমজা ১৯৭৪-৭৫গী মতম অদুদা ইন্দিয়াদা করপসন মখোঙ পান্দুনা চৎলকখি। নহারোল করপসনগী ঈপাক্তা লুপ্লকখি। করপসনগী ঈশিং ময়াদা চঙলকখি। মতম অদুদা মশাগী চহী ৭২শুরবা নহা অমনা করপসনগী মায়োক্তা থৌনা ফনা পান্থোম তিংখি। মহাক কনা নত্তে জয়প্রকাশ নারায়ননি। মহাক্লা ফোংনা করপসন লৈঙাকপু শিংনখি। কুমজা ১৯৭৭কী ভোটতা মায়থীবা পীখি। করপসন লোংনা তাখি। করপসন থিংবা, মুখৎপা নহারোলগী মখূৎতা লৈ। লৌ ইঙ্খোল য়োল্লগা, সনা-লুপা কাইথোক্লগা শেল পীজরগা থবক চঙবগী কলচর থাদোকপা তাই। শেল পীজবা ঐখোয় ইকায়বা তমসি! হৌজিক পাল্লিবা লৈঙাক- অদুঙৈগী কুমজা ১৯৭৪-৭৫গী অন্দোলনগী গর্ভদগী পোকখিবা লৈঙাক অমা ওইনা লৌবা য়াই। ঈৱাই-ঈনিল ইফং ফংখিদবা নত্তে, মীগী মমাঙদা - ইকায়, মায় থম্ফম লৈতে। করপসন ফ্রী ওইহনখি।

হন্দক মণিপুরগী কোলেজ তরুক লৈঙাক্লা লৌশিনখিবা মীয়ামগী অপাম্বা কয়াগী মনুংদা অমনি। মতম কুইনগী দাবীনি। অদুবু তুংগী ফুরুপকী য়ূম্বী ওইগদৌরিবা ঙসিগী অঙাংবু, নহারোলবু, মহৈরোয়বু লৌশিং তাকপী-তম্বীগদবা ওজানা শেল পীজখিবগী ৱাফম অমা পুশিল্লকপসিদি মীয়ামগী লাইবক থীবনি। ৱাফম অসি কোংগ্রেসকী মমাঙদা ইকায় ফিরুক খুম্বনি। করপসন ফ্রী লাউবনা চৎনবা য়াবা থবক নত্তে। থবক্লা উৎকদৌবনি। ঐখোয় হান্না শেংদোকসি, মেনহুদ রেভল্যুসন তৌগদৌবনি, ইন্টরনেল রেভল্যুসন তৌগদৌবনি। মদু নত্তনা মান্নবা খুন্নাই-সোসিএলিজম লাক্লোই, লাক্লোই খক মান্নবা খুন্নাই!◀◀

“মীওই খরনা পার্টি-পোলিটিক্সকী রাজনীতি তৌরি, মখোয় অদু গুহাদা ঈরুপ্পী শান্নবনি, অদুগা ঐহাক্তি মীয়ামগী রাজনীতি-পীপলস পৱারগী পাক চাওরবা ঈপাক্তা ঈরোইদুনা শান্নরিবনি” - *জয়প্রকাশ নারায়ন*

মণিপুরনা ইন্দিয়াদা তিল্লবা মতুংদা ওইরম্বা লৈঙাক -৩৮

- উশম ধনঞ্জয় সিংহ -

নবেম্বর ২২ : থা অসিগী ২১গী নুমিদাং পুং ৭ লোম তাবদা ককচীং পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা সোরা চীঙ্গোন অমসুং লংথবাল খুনৌ অনীগী মরক্তা পোকমিন্নবী মচিন-মনাও অনী মীওই খরনা তমথীনা ফূরকপদা নত্তনা থাঙনসু য়াল্লকপদগী রিমসতা লায়কন্নখি।

মচিন-মনাও অনীদুদি হিদাম ওংবী ইনাওবী (৩৯) অমসুং শমুরাইলাৎপম ওংবী প্রেমিলা (২৭) নি। মখোয় অনীমক লংথবাল খুনৌদা ময়ূম পানবনি। শিংজমৈদা লফোই য়োল্লুরগা ময়ূমদা হল্লকপদা মখোয়না মশক খঙবা সোরা চীং ৱাংমদগী মোহম্মদ অলিম কৌবা অমা য়াওনা মীওই ৩/৪না তমথীনা ফূরকপদা নত্তনা থাঙনসু য়াল্লকপনি। থৌদোক্তুদা ইনাওবীগী লুপা ৪৫০০, প্রেমিলাগীনা লুপা ৫০০০ মফম খঙদনা য়াওরমখিদে। থাঙনা য়াল্লকপদুদা ইনাওবীদি লৈথোকহৌবদগী শোকহৌদে অদুবু প্রেমিলাদি মখূৎ য়েৎনা ঙাক্লুবদা মফম তরেৎ থোক্লা ফোৎখি। অলিম হায়রিবা মীওই অসি মোবাইল ফোন্দা নাতে চাদবা ৱাহৈ-ৱাতাশিং য়াম্না তোয়না ঙাঙলকপা মীওইনি হায়।

নবেম্বর ২২ : থা অসিগী ২১গী অয়ূক্তা চান্দেল দিষ্ট্রিক্টকী মোলচাম পুলিসনা কোনবা বোংজোন খুন ময়াদা আই ঈ দি অমা পোকখায়রকপদগী ১০শুবা এ আরগী পার্সনেল অমা শোক্তুনা লৈমখোং মিলিটরি হোস্পিটালদা পুখৎতুনা লায়কন্নখি।

নবেম্বর ২২ : থা অসিগী ২১গী নুমিদাং পুং ১১.৪৫ রোম তাবদা উখ্রুল দিষ্ট্রিক্টকী ম্যান্নারোম থংবা কসোম সব দিভিজনগী মনুং চনবা নম্বাসিদা লৈবা এ আরগী কেম্প অমদা এম পি এনা আর পি জি, ৭৯ এম এমগী সেল, টু ইঞ্চ মোটারনচিংবা শীজিন্নদুনা অকনবা মওংদা এটেক তৌখি।

নবেম্বর ২২ : থা অসিগী ১৮গী নুমিদাংদা ইম্ফাল ৱেষ্ট কম্মান্দোনা খুয়াথোং পুখ্রি অচৌবা ময়াদা কাপ্তুনা হাৎখিবা ফয়েং মখা লৈকায়দগী অসেম ব্রজমনি এলাইজ তোম্বগী হকচাংদু নবেম্বর ১৯গী নুংথিলদা রিমসতা পোষ্ট মোর্টেম তৌরগা ইমুং মনুংগী মীওইশিংদা শিন্নখি। অদুম ওইনমক, ব্রজমনি মীহাৎকা মরী লৈননা শেমখিবা জে এ সীনা নবেম্বর ২১দা চীফ মিনিষ্টরগা মীশি অসিগী মতাংদা ৱারী শানখিবদা জে এ সীগী দিমান্দশিং পীরক্তবনা মরম ওইরগা জে এ সীনা অপূনবা লূপকা খূৎশম্নরগা থা অসিগী ২৩ অমসুং ২৪দা ‘ঐখোয়বু হাৎপিরো’ হায়বা খোঙজং চঙশিল্লগনি হায়না অপূনবা লূপ অমসুং জে এ সীনা ফোঙদোকখি।

নবেম্বর ২৪ : ঙরাং অহিং ৱাঙ্গোই পুলিস ষ্টেসন্দগী অৱাং নোংপোক্তা কিলোমিটর অমরোম চৎলগা লৈবা ৱাঙ্গোই পুলিস অৱাং লৈকায় (ইম্ফাল তুরেল তোর্ব্বান) দা মশক খঙদবা খরনা লুহোংগদবা বর অমা থাঙনা য়ান্দুনা হাৎতোক্লম্বগী মায়োক্তা মণিপুর বন্দ কৌখি।

অমরোমদা, অশিবা হকচাং অদু পুরগা লাকপদা পুলিসকী গাড়ীনা তকপদগী নুপীমচা অমসু লায়কন্নবা ঙমদনা লৈখিদে। লৈখিদ্রবা বর ওইগদবা মীওই অদুগী মমিং ৱাহেংবম জানেশ্বর এলাইজ ইবোচৌ (৪৫) অপোকপা লৈখিদ্রবা অথোই কৌই। ৱাঙ্গোই ৱাহেংবম লৈকায়দগীনি। মহাক ময়াং ইম্ফালদা লৈবা প্রভাবতি কোলেজগী মণিপুরীগী হেদ ওফ দিপার্টমেন্ট ওইবনি। মহাক দিসেম্বর ৭তা শামুরৌ হাওরৈবীদগী নুপী অমগা লুহোংনবা মতম লেপ্নরবনি হায়।

মহাক নবেম্বর ২৩গী নুমিদাং পুং ১০.৩০ রোম তাবদা মীওই অমনা মহাক্কী মোবাইলদা টেলিফোন তৌশিল্লকপদগী ময়ূমদগী থোকখিবনি অদুগা অয়ূক্তা মহাক ৱাঙ্গোই মুসলিম অৱাং লৈকায়গী ইম্ফাল তুরেল তোর্ব্বান্দা শিদুনা লৈরম্বনি। মকোক, ওইগী মনা অমদি খদাংনচিংবদা থাঙফম অনী/অহুম লৈরম্মী।

মহাকপু হাৎতোক্লম্বা অদুগা মরী লৈননা নবেম্বর ২৪দা ৱাঙ্গোই বজারদা মীয়ামগী অপূনবা মীফম অমা পাঙথোক্তুনা জে এ সী শেম্বগা লোয়ননা মদুদা লৌখিবা ৱারেপশিংদি মরুওইনা নবেম্বর ২৫ ফাওবগী মনুংদা গভর্ণমেন্টকী মায়কৈদগী মীহাৎপশিং পুথোরক্ত্রবদি মথংগী নুমিৎ নবেম্বর ২৬কী অয়ূক্তগী পুং ২৪গী মণিপুর বন্দ কৌগনি হায়। অমরোমদা, লৈখিদ্রবা দল্লিয়ু জানেশ্বরগী অশিবা হকচাং অদু ৱাঙ্গোই পুলিস ষ্টেসন্দগী ৪০৭ মিনি টাটাদা হাপ্লগা লম্ফেলদা লৈবা রিমসকী মোর্গ তম্না পুখৎলকপদা চহী ১২ রোম শুরবী নুপীমচা অমা তকপদগী রিমসতা লায়কন্নবা ঙমদনা লৈখিদে।

নবেম্বর ২৪, ২০০৭ : চীফ মিনিষ্টর শিন্দোক্লবা চঙশিল্লিবা খোঙজংগী শরুক অমা ওইনা দিল্লিদা কেম্প চথুখিবা অদুদা চীফ মিনিষ্টর ও ইবোবীনা এক্সকর্সন চৎপনি হায়রুই হায়বা ৱাফমগী মতাংদা কেম্পতুদা য়াওখিবা থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী এম এল এ মরিনা চীফ মিনিষ্টরবু অয়ৌবী থাক্তা থাদদুনা শিধরকখি।

থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা ককচীং এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সিগী এম এল এ ৱাই সুরচন্দ্র, ৱাংজিং তেন্থাগী এম এল এ এম হেমন্ত, হৈরোক এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সিগী এম এল এ এম ওকেন্দ্রো অমদি ৱাংখেম এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সিগী এম এল এ কে মেঘচন্দ্রনা থাদোরকপা চেরোল অমনা থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী মীওই অমনা চীফ মিনিষ্টর ওই হায়দুনা হরাউরুরগা চীফ মিনিষ্টর মহাক অমদি মহাক্কী লোয়নবী এম এল এ লন্দোনিগী কন্সটিট্যুএন্সিগীদি খল্লগা অতৈগীদি ইখন খন্দবনা পেন্নদবা ময়াম লাকখি হায়। এম এল এ মরিগী চেরোলদুগী মতুং ইন্না চাওখৎ থৌরাংগী থাদরকপা শেনফমগী চাদা ৫০দি থৌবাল অমসুং খাঙবোক এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সিশিং খক্তদা থাদখি হায়না পল্লদুনা ১২শুবা ফাইনান্স কম্মিসনগী শেনফমদগী থৌবাল অমসুং খাঙবোক্তা লুপা ক্রোর অমমম থাদরগা লেমহৌবা থৌবাল কন্সটিট্যুএন্সিগী এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সি নিপালদনা অমমমদা লুপা লাক্ষ ১৫দগী লাক্ষ ২০ ফাওবতমক থাদখি হায়।

নবেম্বর ২৪, ২০০৭ : ও ইবোবীগী মহুত্তা অতোপ্পা অমবু শিন্দোক্লবা দিল্লিদা কেম্প তৌদুনা কোংগ্রেস দিসিদেন্ট গ্রুপনা চঙশিনখিবা খোঙজংদা কোংগ্রেসকী মকোক থোংবা ময়াম উনবগা লোয়ননা চঙশিনখিবা খোঙজং অদু শোয়দনা মায় পাকপা য়াবগী ফীভমদা লৈরে হায়না ফোঙদোকখি। কোংগ্রেসকী দিসিদেন্ট কেম্পতগী ফংবা পাউ অমগী মতুং ইন্না এম পি সী সীগী প্রসিদেন্ট গাইখাঙম্না লুচিংদুনা এম এল এ ১৫না কোংগ্রেস প্রসিদেন্ট ওইরিবী সেন্তরদা গভর্ণমেন্ট পায়খিবা য়ু পি এগী চ্যেরপার্সন সোনিয়া গান্ধীগা উনদুনা অথুবা মতমদা ও ইবোবীগী মহুৎতা অতোপ্পা অমবু চীফ মিনিষ্টর ওইহন্নবা কন্না তকশিনখি হায়।

উনবা অদুদা কনাবু লুচিংবা ওইনা খনবা পাম্বগে হায়বগী ৱাফম এম এল এশিংনা ফোঙদোক্ত্রবসু সেনিয়র পোলিটিসিয়ন অমা ওইরিবা লো এন্দ লেজিসলেটিব এফ্যেরস মিনিষ্টর টি ঐচ দেবেন্দ্রবু প্রোজেক্ট তৌদুনা হান্ননা মহাকপু শৌগৎকদবা এম এল এশিংগী লিষ্ট পীশিনখিবা লৈরবনি হায়বা ৱাফম থমখি হায়। কোংগ্রেস লেজিসলেচর পার্টিগী মনুংদা ঈৱাং লৈদুনা এম এল এ ময়াম্না দিল্লিদা নুমিৎ ২০নি হেন্না কেম্প তৌদুনা লৈরকখিবা অমদি মণিপুরদা ওইরিবা পোলিটিকেলগী চরাংনবা ফীভম অদুবু পার্টিগী ওবজার্ভর থাদুনা অথুবদা য়েংশিনহল্লগনি হায়বগী থাজবা সোনিয়া গান্ধীনা এম এল এশিংদা পীরকখি হায়।

নবেম্বর ২৫, ২০০৭ : থা অসিগী ২৩দা ৱাঙ্গোই ৱাহেংবম লৈকায়দগী ৱাহেংবম ইবোচৌ এলাইজ জানেশ্বর (৪৫) বু মীহাৎ থীনা হাৎতোক্লম্বগী মতাংদা লংলা-লংজিন পুথোক্তুনা অথুবা মতমদা মরাল লৈবশিং মতিক চাবা চৈরাক পীনবা য়াওনা ৱাকৎ কয়া চীফ মিনিষ্টরদা পীখ্রবসু গভর্ণমেন্টকী মায়কৈদগী মতিক চাবা পাউখুম পীরক্তবনা নবেম্বর ২৬কী অয়ূক পুং ৬তগী নুমিদাং পুং ৬ ফাওবা ময়ায় লম্বী থিংবগী খোঙজং অমা মীহাৎ অসিগী মতাংদা শেমখিবা জে এ সীনা চঙশিল্লগনি হায়খি।

নবেম্বর ২৫ : ফয়েং মখা লৈকায়দগী অঙোম ব্রজমনি মীহাৎকী মতাংদা ঙসি লমশাং বজারদা পাঙথোকখিবা মীয়ামগী মীফম অমনা নবেম্বর ২৬কী অয়ূক পুং ৪দগী নুমিদাংৱাইরম পুং ৫ ফাওবা উরিপোক কাঙচুপ লম্বীদা টোটেল বন্দ কৌখি। অদুমকপু টোটেল বন্দ অদুদা মহৈরোয়শিংগী ওইনদি কোমথোক্কনি হায়খি।

নবেম্বর ২৬ : দিসিদেন্ট গ্রুপনা ও ইবোবীনা লুচিংবা গভর্ণমেন্টতা শিরক্লিবা মরাল ময়াম্বু চীফ মিনিষ্টর ও ইবোবী মশামক্লা রিয়েক্ট তৌদুনা শিরিবা মরালশিং অদুগী খুদম চাংদম পীবা ঙল্লবদি ফৈ নৎত্রবদি তুমিন্না লৈবনা ফগনি হায়না ফোঙদোকখি।

ঙসি ইরিলবুং থোঙ অমদি মনাক্তা লৈবা ৱাটর সপ্লাই স্কিম শঙ্গাবদা চীফ গেষ্ট ওইনা মহাক্কী ৱারোল পীবদা হৌজিক লৈরিবা পোলিটিকেলগী ওইবা ঈরাংদা হেন্না শাফু পীখি। লোয়ননা দিসিদেন্ট গ্রুপনা কেম্প তৌদুনা মঙোন্দা শিরিবা মরালশিং অরানবা ঙাক্তনি হায়না ফোঙদোকখি।

নবেম্বর ২৬, ২০০৭ : সেনিয়র কেবিনেট মিনিষ্টর টি ঐচ দেবেন্দ্রনা দিল্লি য়ৌশিনখিবা মরক্তা দিল্লিদা চথুখিবা কেম্পপু নাকোয়ননা শৌগৎলিবা রাজ্য সভাগী এম পি রিশাং কৈশিং অমদি ত্রাইবেল দিভলপমেন্ট মিনিষ্টর দি দি থাইসি অনীনা ঙসি প্রাইম মিনিষ্টর উনদুনা মণিপুরগী ফীভম খঙহন্দুনা লৌখৎপা য়াবা থবক লৌখৎপীনবা তক্লখি।

নবেম্বর ২৬ : ঙসি অয়ূক পুং ১১.৪৫ রোম তাবদা ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী লমলাই পুলিস ষ্টেসন্দগী খা নোংপোক্তা কিলোমিটর ১০ রোম চৎলগা ওকসু অমসুং নিংথেমচা খুন অনীগী মরক্তা লৈবা ঙাখাশি হায়না খঙনবা মফমদা লৈবা উপাক থোংদা হান্না শেম শাদুনা থম্লম্বা বোম অমা পোকখায়হল্লকপা অমদি নোংমৈ কাপশিল্লকপদগী মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিগী দেপ্যুটি স্পিকর টি ঐচ শ্যামকুমারগী এস্কোর্ট পার্সনেল অনীগা দ্রাইভরগা শোকখি।

নবেম্বর ২৭ :- ও ইবোবীবু চীফ মিনিষ্টর ফমদগী লৌথোকপা মতমদা জিরিবাম এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সিদগী কারক্তুনা লো এন্দ লেজিসলেটিভ এফ্যেরস মিনিষ্টর ওইখিবা থৌদাম দেবেন্দ্রবু চীফ মিনিষ্টর ওইহন্নবা কোংগ্রেস দিসিদেন্ট গ্রুপকী লুচিংবা ওইনা খনবদা দিসিদেন্ট এম এল এশিংনা য়ানখ্রে হায়।

টি ঐচ দেবেন্দ্র নবেম্বর ২৬কী নুমিদাং দিল্লিদা থুংখিবগা লোয়ননা দিসিদেন্ট কেম্পতা চঙদুনা এম এল এশিংগা উনখি। চঙশিল্লিবা খোঙজং মায় পাকপরোমদা নকশিল্লক্লে হায়না এম এল এ খরনা ফোঙদোকখি।◀◀

হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৮১

১। মণিপুরগী পুৱারীদা সেপ্টেম্বর ৩০ অসিদি সনাগী ময়েক্লা ইদুনা লৈহৌরগনি, মণিপুর মতম ঈশৈ নুমিৎ হায়না। মসি ইহান হান্না শান্নখিবা মণিপুরী দ্রামা অমদা ইহান হান্না মৈতৈলোনগী ঈশৈ শকখিবা নুমিৎ অদুদগী পারকপনি।
  (ক) ইহান হান্না শান্নখিবা মণিপুরী দ্রামা অদুগী মমিং হায়য়ু।
  (খ) ইহান হান্না শান্নখিবা অদু কুমজা কয়াদনো?
২। “চৎলু অতোন : ফৌরুংবা কাদুনা কাকয়েল মীঙম্বগী মরূম লোক্লুচো, ইচীল ইনাও চাসি।” ৱাফম অসি অইবা অশাংবম মীনকেতনগী ৱারেং অমদগী লৌথোকপনি। ৱারেংদুগী মমিং হায়য়ু।
৩। “ৱানথখরে হৌজিক্তি পৃথিবী/চৈনাখোল খাঙবা ঙমদ্রদুনা।” পরেংশিং অসিনা ‘অশিবা অহিং’ কৌবা শৈরেং অমদগী লৌথোকপনি। লানলুম্বা কবি হায়নসু খঙনবা শৈরেংসিগী অইবদু কনানো?
৪। “করিগীদমক য়ূম হোংগদৌরিবনো? ... ঐহাক মীনি, নুপীনি, অদুগা মপূনি।” ৱাফম অসিনা লৈমহন কৌবী অমনা মাগী নুপাদা হায়রিবনি। ‘ৱাকৎ’ কৌবা ৱারীমচা অদুদা। অইবীদু কনানো?
৫। গোপীনাথ মোহন্তিগী ওরিয়া উপন্যাস, ‘দাদীবুধা’ হায়বদু মণিপুরীদা হন্দোকখ্রে। হন্দোকলোয় অদুগী মমিং হায়য়ু।

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম ওক্টোবর ১৫, নিংথৌকাবা নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল **hueiyenliteraryquiz@gmail.com** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।